This Booklet contains **20** printed pages.
इस पुस्तिका में **20** मुद्रित पृष्ठ हैं।

**AK14I**

**Test Booklet No.**
**परीक्षा पुस्तिका संख्या**

# PAPER—I / प्रश्न-पत्र—I

## MANIPURI LANGUAGE SUPPLEMENT / मणिपुरी भाषा परिशिष्ट

### PART—IV & V / भाग—IV & V

**Test Booklet Code**
**परीक्षा पुस्तिका संकेत**

**K**

Do not open this Test Booklet until you are asked to do so.
इस परीक्षा पुस्तिका को तब तक न खोलें जब तक कहा न जाए।
Read carefully the Instructions on the Back Cover (Pages 19 & 20) of this Test Booklet.
इस परीक्षा पुस्तिका के पिछले आवरण (पृष्ठ 19 व 20) पर दिए गए निर्देशों को ध्यान से पढ़ें।
**For Instructions in Manipuri see Page 2 of this Booklet.**
**मणिपुरी में निर्देशों के लिए इस पुस्तिका का पृष्ठ 2 देखें।**

### *Instructions for Candidates :*

1. This booklet is a supplement to the Main Test Booklet for those candidates who wish to answer **EITHER** Part—IV (Language—I) **OR** Part—V (Language—II) in **MANIPURI** language, but **NOT BOTH**.
2. Candidates are required to answer Parts—I, II, III from the Main Test Booklet and Parts—IV and V from the languages chosen by them.
3. Questions on English and Hindi languages for Part—IV and Part—V have been given in the Main Test Booklet. Language Supplements can be asked for separately.
4. Use **Blue/Black Ballpoint Pen only** for writing particulars on this page/marking responses in the Answer Sheet.
5. The CODE for this Language Booklet is **K**. Make sure that the CODE printed on **Side-2** of the Answer Sheet and on your Main Test Booklet is the same as that on this Language Supplement Booklet. In case of discrepancy, the candidate should immediately report the matter to the Invigilator for replacement of the Language Supplement Test Booklet.
6. This Test Booklet has **Two** Parts—IV and V, consisting of **60** Objective-type Questions and each carrying 1 mark :

   Part-IV : Language-I (Manipuri) (Q. Nos. 91-120)
   Part-V : Language-II (Manipuri) (Q. Nos. 121-150)
7. Part-IV contains 30 questions for Language-I and Part-V contains 30 questions for Language-II. In this Test Booklet, only questions pertaining to Manipuri Language have been given. **In case the language(s) you have opted for as Language-I and/or Language-II is a language other than Manipuri, please ask for a Test Booklet that contains questions on that Language. The languages being answered must tally with the languages opted for in your Application Form.**
8. **Candidates are required to attempt questions in Part-V (Language-II) in a language other than the one chosen as Language-I (in Part-IV) from the list of languages.**
9. Rough work should be done only in the space provided in the Test Booklet for the same.
10. The answers are to be recorded on the OMR Answer Sheet only. Mark your responses carefully. No whitener is allowed for changing answers.

### *परीक्षार्थियों के लिए निर्देश :*

1. यह पुस्तिका मुख्य परीक्षा पुस्तिका की एक परिशिष्ट है, उन परीक्षार्थियों के लिए जो या तो भाग—IV (भाषा—I) या भाग—V (भाषा—II) **मणिपुरी** भाषा में देना चाहते हैं, लेकिन **दोनों नहीं**।
2. परीक्षार्थी भाग—I, II, III के उत्तर मुख्य परीक्षा पुस्तिका से दें और भाग—IV व V के उत्तर उनके द्वारा चुनी भाषाओं से।
3. अंग्रेज़ी व हिन्दी भाषा पर प्रश्न मुख्य परीक्षा पुस्तिका में भाग—IV व भाग—V के अन्तर्गत दिए गए हैं। भाषा परिशिष्टों को आप अलग से माँग सकते हैं।
4. इस पृष्ठ पर विवरण अंकित करने एवं उत्तर-पत्र पर निशान लगाने के लिए केवल **नीले/काले बॉलपॉइंट पेन** का प्रयोग करें।
5. इस भाषा पुस्तिका का **संकेत K** है। यह सुनिश्चित कर लें कि इस भाषा परिशिष्ट पुस्तिका का संकेत, उत्तर-पत्र के **पृष्ठ-2** एवं मुख्य परीक्षा पुस्तिका पर छपे संकेत से मिलता है। अगर यह भिन्न हो, तो परीक्षार्थी दूसरी भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका लेने के लिए निरीक्षक को तुरन्त अवगत कराएँ।
6. इस परीक्षा पुस्तिका में **दो** भाग—IV और V हैं, जिनमें **60** वस्तुनिष्ठ प्रश्न हैं तथा प्रत्येक 1 अंक का है :

   भाग-IV : भाषा-I (मणिपुरी) (प्रश्न सं० 91-120)
   भाग-V : भाषा-II (मणिपुरी) (प्रश्न सं० 121-150)
7. भाग-IV में भाषा-I के लिए 30 प्रश्न और भाग-V में भाषा-II के लिए 30 प्रश्न दिए गए हैं। इस परीक्षा पुस्तिका में केवल मणिपुरी भाषा से सम्बन्धित प्रश्न दिए गए हैं। **यदि भाषा-I और/या भाषा-II में आपके द्वारा चुनी गई भाषा(एँ) मणिपुरी के अलावा है/हैं, तो कृपया उस भाषा वाली परीक्षा पुस्तिका माँग लें। जिन भाषाओं के प्रश्नों के उत्तर आप दे रहे हैं वह आवेदन पत्र में चुनी गई भाषाओं से अवश्य मेल खानी चाहिए।**
8. **परीक्षार्थी भाग-V (भाषा-II) के लिए, भाषा सूची से ऐसी भाषा चुनें जो उनके द्वारा भाषा-I (भाग-IV) में चुनी गई भाषा से भिन्न हो।**
9. रफ़ कार्य परीक्षा पुस्तिका में इस प्रयोजन के लिए दी गई खाली जगह पर ही करें।
10. सभी उत्तर केवल OMR उत्तर-पत्र पर ही अंकित करें। अपने उत्तर ध्यानपूर्वक अंकित करें। उत्तर बदलने हेतु श्वेत रंजक का प्रयोग निषिद्ध है।

Name of the Candidate (in Capitals) : ____________________
परीक्षार्थी का नाम (बड़े अक्षरों में)

Roll Number (in figures) : ____________________
अनुक्रमांक (अंकों में)

(in words) : ____________________
(शब्दों में)

Centre of Examination (in Capitals) : ____________________
परीक्षा-केन्द्र (बड़े अक्षरों में)

Candidate's Signature : ____________________
परीक्षार्थी के हस्ताक्षर

Invigilator's Signature : ____________________
निरीक्षक के हस्ताक्षर

Facsimile signature stamp of Centre Superintendent ____________________

**10-I**

বুকলেটসি লমায় 20 য়াওই

# AK14I

## পেপর—I

## মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট

## ভাগ—IV & V

টেষ্ট-বুকলেট কোড

**K**

হায়রক্তিফাওবা টেষ্ট বুকলেট অসি হাংদোক্কনু।

বুকলেটশিংগী নীতি-নিয়মশিং (Instruction) (সাইদ 19 & 20) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ।

***কেন্দিদেটশিংদা পীবা ইনস্ট্রক্সনশিং :***

1. বুকলেটসি মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদা পার্ট—IV (লেঙ্গুয়েজ—I) নত্রগা পার্ট—V (লেঙ্গুয়েজ—II) দা পরীক্ষা থানিংবা কেন্দিদেটশিংগীদমক ম্যেন টেষ্ট বুকলেটতুগী সপ্লিমেন্ট অমনি। অনিমক্তি পুন্না পরীক্ষা থাবা য়ারোই।

2. কেন্দিদেটশিংনা ম্যেন টেষ্ট বুকলেটতগী পার্ট—I, II, III অমসুং মখোয়না খনবা লেঙ্গুয়েজশিংদগী পার্ট—IV অমসুং পার্ট—V কী পাউখুম পীবা দরকার লৈ।

3. ইংরাজি অমসুং হিন্দী লেঙ্গুয়েজশিংগী পার্ট—IV অমসুং পার্ট—V ৱাহংশিং ম্যেন টেষ্ট বুকলেটতা পীরে। লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্টশিংগীদমক তোঙান্না হংবা য়াই।

4. লমায়সিদা পার্টিকুলারসিং **ইননবা ব্লু/ব্লেক বোল পোইন্ট পেনখক্তংমক** শীজিন্নৌ।

5. লেঙ্গুয়েজ বুকলেটশিংগী কোডতি **K** নি। অঙ্গর শীটকী **সাইড–2** দা ইরিবা কোডতুগা অমসুং ম্যেন টেষ্ট বুকলেটতা ইরিবদুগা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুকলেটকীশিগা চপ মান্নবা হায়না য়েংউ। মান্নদবা থোক্লবদি কেন্দিদেটনা খুদক্তা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুকলেট অদু শীন্দোক্লবা ইনভিজিলেটরদা রিপোর্ট তৌগদবনি।

6. বুকলেট অসিগী পার্ট **অনিনি** IV অমসুং V। মসিদা ৱাহং অমমমদা মার্ক অমা পীবা ৱাহং **60** য়াওই :

   পার্ট—IV : লেঙ্গুয়েজ—I (মণিপুরী) (ৱা : 91 দগী ৱা : 120)

   পার্ট—V : লেঙ্গুয়েজ—II (মণিপুরী) (ৱা : 121 দগী ৱা : 150)

7. পার্ট—IV লেঙ্গুয়েজ—Iগী ৱাহং 30 য়াওই অমসুং পার্ট—V লেঙ্গুয়েজ—IIগী ৱাহং 30 য়াওই। বুকলেট অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদংগা মরী লৈনবা ৱাহং হংই। **নহাক্না নঙগী লেঙ্গুয়েজ—I অমসুং লেঙ্গুয়েজ—II ওইনা খনবা লেঙ্গুয়েজশিংদু মণিপুরী নত্রবদি লেঙ্গুয়েজদুদা ৱাহং হংবা টেষ্ট বুকলেট অমা পীনবা হায়বীয়ু। পাউখুম পীরিবা লেঙ্গুয়েজশিংদু নহাক্কী এপ্লিকেশন ফোর্মদা ইখিবা লেঙ্গুয়েজশিংগা মান্নগদবনি।**

8. **কেন্দিদেটশিংনা পার্ট—V তা (লেঙ্গুয়েজ—II) খুমগদৌরিবা ৱাহংশিং অদু লেঙ্গুয়েজ—I (পার্ট—IV) নত্তবা লিস্টা য়াওরিবা অতৈ লোনশিং অসিদগী অমা খল্লগা খুমগদবনি।**

9. টেষ্ট বুকলেটতা পীরিবা মফমদূতদা রফ ৱর্ক তৌগদবনি।

10. পাউখুমশিংদু (OMR) পাউখুম চেদা ইগদবনি। নঙগী পাউখুমশিংদু চেকসিন্না মার্কতৌ। পাউখুমশিং হোংনবা মূক অঙৌবা শীজিন্নবা য়াদে।

কেন্দিদেটকী মীং (অচৌবা ময়েক্তা) : ______________________

রোল নম্বর (অঙ্ক ময়েক্তা) : ______________________

ৱাহৈদা : ______________________

পরীক্ষাগী সেন্টর (অচৌবা ময়েক্তা) : ______________________

কেন্দিদেটকী সিগনেচর : ______________________ ইনভিজিলেটরগী সিগনেচর : ______________________

Facsimile signature stamp of Centre Superintendent ______________________

**Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for MANIPURI as LANGUAGE–I**

→

## কাখন—IV : লোন—I

### মণিপুরী

*তাকপা* : অপীবা শৈরেং মতেক অসি পারগা মখাগী ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম (চান্নবা খল্লগা) পীরকউ (91–96) :

**ঈরৈপাক**

ঈরৈপাক ঈরৈপাক উজদ্রি নঙগুম্বা।
নঙগুম্না নুংশিবা পূক্লিংগী পেন্নবা।

নোংপোক্কী কোরৌ খোঙথাফম ভারতকি শমজী লংদাইফম
প্রকৃতি ইমাগী নুংঙাইবা শান্নফম।
চাক্লবা থম্মোয়গী অৱাবা কোক্লফম
কুঙনা পানবা মহৈ মরোং চূম্না শাৎপা ফৌগী চরোং
মীৎয়েংগী লম্বীদা অইংবা পীনবী।
নচাগী ৱাত্তনা চেঙজেন্দি হুল্লিবী।
কুঞ্জ কুঞ্জ খূদিংমক্তা চীংয়া তময়া পূম্নমক্তা
পোম্বীনা চেক্লানা নগুণদো শকচরি।
শান্তিগী অচীকপা ঈরাদি শিঙ্গরি।

**91.** ঈরৈপাকপু করিগী নুংশিরিবনো?

(1) ঈরৈপাক্লা পূকনিংগী পেন্নবা ওইবদগীনি

(2) থাপ্পা লৈবদগীনি

(3) ঈরৈপাক নুংশিরিবসি পূকৈ লনগৈ লৈবদগীনি

(4) পাৎ তুরেল লৈবদগীনি

**92.** প্রকৃতি ইমাগী শান্নফম কদায়নো?

(1) নোংচুপকী কোরৌ তাফমদনি

(2) নোংপোক্কী কোরৌ খোঙথাফম অমসুং ভারতকি শমজী লংদাইফমদনি

(3) নোংপোক্কী কোরৌ খোঙথাফমদনি

(4) ভারতকি শমজী লংদাইফমদনি

**93.** কুঙনা মহৈ মরোং পাল্লিবসি কদায়দনো?

(1) কুঙনা মহৈ মরোং পাল্লিবসি ঈরৈপাক্তনি

(2) লমহাংদনি

(3) মীরৈবাক্তনি

(4) অসামদনি

**94.** চূম্না শাৎপা ফৌগী চরোং কদায়দনো?

(1) লমজাওদনি

(2) চীংথক্তনি

(3) ঈরৈবাকতনি

(4) লবুক্তনি

**95.** মীৎয়েংগী লম্বীদা অইংবা পীনবী হায়রিবসি কনাবুনো?

(1) অথাপ্পা লমবুনি

(2) অনকপা লমবুনি

(3) ঈরৈবাকপুনি

(4) মীরৈবাকপুনি

**96.** মফম মফম খুদিংদা পোম্বী চেক্লানা মগুণ শকলিবসি কনাগীনো?

(1) অউবা লম খরগীনি

(2) য়ুম লোন্নবা লৈবাক্কীনি

(3) ঈরৈবাক্কীনি

(4) মীরৈবাককীনি

*তাকপা* : খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা মখাগী ৱাহংশিংসিগী পাউখুম পীয়ু (**97–111**) :

**97.** ৱারেং মতেক অমদা ৱাহৈ খরা হাংনা থনমলগা মহৈরোইশিংনা পারগা চান্নবা ৱাহৈনা মেনশিনবসি মখোয়গী

(1) অনৌবা ৱাহৈগী চাংয়েং তৌবনি

(2) ৱাহৈশিং চুমশিনবগী চাংয়েং তৌবনি

(3) ৱাহৈগী বনান চাংয়েং তৌবনি

(4) চপচাবা ৱাহৈগী চাংয়েং তৌবনি

**98.** মখাগীসিদগী করম্বনা পাবা খঙন্নবা ৱাহংনো ?

(1) ইন্দিয়ান কবি নোবেল প্রাইজ ফংখিবদু হায়য়ু

(2) নং কিরণ ডেসাইগী অতোপ্পা লাইরিকতু পারব্রা

(3) মখাদগী লাইরিকসি লৌখৎলু

(4) 'হোটেল' হায়বা ৱাহৈসি করম্না পাবগে খঙদোকউ

**99.** অঙাংশিংনা ফজনা ইবা হৈন্নবগীদমক মখোয়না অহানবদা পেন্সিলনা অমদি মচুশংবা চোকনচিংবনা য়েক-খোত্নুনা মখোয়গী —— শাগৎকদবনি ।

(1) ৱাখলগী ওইবা

(2) হিংন্নবগী অঙম্বা

(3) ৱাখল পুথোকপগী অঙম্বা (cognitive skill)

(4) মথং-মনাও নাইনা তম্বগী অঙম্বা (motor skill)

**100.** মরুপ ওইবগী চিঠি ইবা মতমদা মখাগীশিংসি খঙজিনগদবনি

(1) অতোপ্পদা ময়েক শেংনা ইবা, অশম্বা মওং শিজিন্নবনি

(2) ইশাগী ওইবা, ফোরমেট অমত্তা য়াওদনা শিজিন্নবনি

(3) ফোরমেট অমা, মরুপ-মপাং ওইবগী মওং, অশম্বা মওং শিজিন্নবনি

(4) মরুপ-মপাং ওইদগী মওং, অচুম্বা ফোরমেট শিজিন্নবনি

**101.** মহৈরোইশিংনা লোন অমা তম্বা মতমদা ঙাংবগী থাজবা ৱাৎপসি লোন্দুগী তোপ-তোপ্পা পাবগী নিয়ম লৈবননি। মসিবু লাকসিনগে হায়বদি

(1) ক্লাসরুমদা ৱা-ঙাংবা দরকার লৈবা শান্নবগুমবগী মওংশিং শিজিন্নগদবনি

(2) অখঙবা অমনা ঙাংবগী ওইবগী ক্লাস তৌবনি

(3) হেক-হেক লানবগা চুমথোকপনি

(4) মহৈরোইশিংনা লাউনা পাবনি

**102.** ঐনা ঙসিগী পারাসি ঈশৈ ওইনা শিজিন্নগে খল্লে। মহৈরোইশিংনা ঈশৈ ময়েকসিং পারগা অহাংবসি করম্না মেনগদগে হায়গনি। অদুদগী তারগা চুম্না য়েংগনি।

মসি —— মচাকনি।

(1) চুমথোক্কদবা

(2) অৱাৎপা

(3) পুরক্কদবা

(4) শিন্নগদবা

**103.** অঙাং অমনা অতোপ্পশিংদগী হেন্না লাইনা লোন তম্বগী অকক্লবা মতমদু

(1) চহী ৮গী মমাংনি

(2) চহী ৮গী মতুংনি

(3) চহী ১০গী মমাংনি

(4) চহী ১৩গী মতুংনি

**104.** করম্বা মেডিয়ানো খন্দোকউ : মচাক হেন্না য়ামবা অমসুং মহৈরোইদসু হেন্না মনুং থিৎন্না মচাক পীবা অদুগা মমলদি হেনগৎত্তবা।

(1) ইলেকট্রোনিকনি

(2) লাইভ ডিসপ্লে/থিন্দুনা তাকপনি

(3) ওভর-হেড প্রোজেক্তর, ট্রান্সপেরেন্সি/স্লাইডনি

(4) চেনি

**105.** লোন ময়াম তম্বা ক্লাস (multilingual class) মহৈরোইশিংনা লোন অমা তম্বদা

(1) লোন মান্নবা মশেন তোয়না খন্নদুনা হেন্না খরবা ঙমই

(2) অতোপ্পা লোনশিংবু ঙাংহনদনা তম্লিবা লোন্দুদমক ফজনা, ঙাংন্নবা হোৎন্নহবনি

(3) লোন ফাওন্নবা ৱাৎপদগী ক্লাসতু নুংঙাইহন্দে

(4) খুদোংচাবা কয়া হায়বদি accent খেৎন্নবা খন্নবা, গ্রামারগী ৱাহৈ শাদোক-শাজিন অসিনচিংবা কয়া খন্নদুনা তম্লিবা লোন্দুবু হেন্না খঙবদা মতেং ওই

**106.** Language transfer তৌবনা সেকেণ্ড / ফোরেন language তম্লিবা মহৈরোইদুদা হেন্না কান্নবাপি। মসিগী ফিভমসি ওঝানা

(1) হেন্না গ্রুপকী ওইবা খন্ন-নৈন্নরগা মশাগী থাজবা শাগৎপিবনি

(2) অতোপ্পা লোন্দুগী অরুবশিং মতম-মতমগী ওইবা খঙদোক্লবা তৌবনি

(3) য়াম্না হেন্না পাহনবা অদুগা মথং-মথং হেন্না লুবা টেকস্ট হাপচিনলগা ওই

(4) অহানবা লোনগী ওইবা হৈশিংবশিং হেনগৎহনলগা অনিশুবা লোনগী মপুং-ওইনা তম্বগী শাংগৎপিবনি

**107.** লোনগী ক্লাস অমদা লৈবা মখল কয়াগী হৈশিংবশিং লৈবা মহৈরোইশিংগীদমক ওঝানা মখোয়সি

(1) ওঝাগা মমা-মপাগা উন্নদুনা মখোয়দা পীবা য়ুমদা তৌগদবাঃ ওঝানা পীবশিংদু হেন্না তৌহনবনি

(2) অপিকপা ক্লাসকী প্রোজেক্ট তৌদুনা মখোয় পুন্না খন্ন-নৈন্নবা, সমাজগী ওইবা হৈশিংবশিং হেনগৎহনবা অমদি হেন্না চাওবা গ্রুপ activityশিংদা শরুক য়াহনবীবনি

(3) তোঙান্না তৌবা ক্লাস কাহনলগা মখোয়গী স্কোর হেনগৎন্নবা অমসুং অতোপ্পশিংগা মান্নরক্লবা হোৎন্নবনি

(4) Psychiatrist অমদি ক্লাসকী ওঝাদুগা মতম-মতমগী ওইনা উন্নদুনা মখোয়গী নুংঙাইওবশিংদু খঙদোক্লবনি

**108.** টেকস্টবুক্কী ৱাহংশিংসি করিগুম্বা মতমদা অনেম্বা থাক্কী নত্রগা অচূম্বা (fact-based) ওইগনসি। মতাংসিদা ওঝানা

(1) টেকস্টবুকশিংসি শিজিন্নদবা য়াদবা কান্দা শিজিন্নগদবনি

(2) হেন্না পান্নবা লাইরিক পীগদবনি

(3) creative thinking অমসুং problem খঙদোক্লবা activityশিং পীবিগদবনি

(4) লৌশিং-গ্যানগী ওইবা পারা শেমগদবনি

**109.** ফোরেন লোন তম্বশিংনা অইবা লাইরিকশিং বনাননা মরম ওইদুনা হায়দোকপদা লুনা থোকই। মসি লানথোকক্নে হায়রবদি

(1) বনানগা খোঙ্হোক্না লোয়ননা লাউনা পাবদুনি

(2) লাউনা পারগা অচুম্বা খোঙ্হোক তাবা অমসুং হন্না লাউনা পাদুনা ঔরাইবদুনি

(3) ওঝাগী খোঙ্হোক্তু মতৌ তম্বদুনি

(4) তম্বদা ৱাবা ৱাহৈদু ঔরাইদুনা হোৎনবদুনি

**110.** অককুবা লোনগী ক্লাস অমদা, অমত্তা ওইবা, মাইপাকপা অমসুং ইশাগী ৱাখল ফবা মীমান্নদবশিংগী মরক্তা লৈহনগে হায়রবদি

(1) মখোয়গী তোপ-তোপ্পা দরকার লৈবশিংদু ফংহন্নবগীদমক্তা মতিকচাবা স্টাফদমক হাপক্কদবনি

(2) মখোয়বু তোঙান্না পুন্না থমলগা অতৈ স্কুলগী মমান্নবশিংগা তিন্নহন্দনা থমগদবনি

(3) মখল কয়াগী তম্নবা লাইরিক পাহনগদবনি

(4) ময়াম পুন্না তমিন্নবা অমসুং খল্ল-নৈন্নবগী খুদোংচাবা পীগদবনি

**111.** মমাংঙৈগী লোনগী ক্লাসতি ওঝান মপুং ওইবা ক্লাসনি (teacher-centred) অদুগা, হৌজিক মতমগী ক্লাসতি মহৈরোইনা মপুং-ওইবা ক্লাসনি (student-centred)। অহানবসিগী মচাক অমদি

(1) মহৈরোইশিংনা লোন তম্নবগীদমক শেমলবা পারাশিংদু তমবদা ওঝাশিংনসু হেন্না তম্নবা হোৎনৈ

(2) মতম পুম্নমক্তা ওঝানা ঙাংবগী অমসুং ইবগী লোন মোডেল শেম্মী অদুগা মহৈরোইশিংদুনা মাগী মওং-মতৌ তম্মী

(3) ওঝানা তম্বীবগী ইনচার্জ ওইরগা মহৈরোইশিংনা তোয়না ওঝাশিংনা তাকপগী মতাংদা ফিডবেক (feedback) লৌবনি

(4) ক্লাসকী মপান্দা মহৈরোইনা তোঙান্না তমজরগা মতম-মতমগী ওইবা চাংয়েং লৌবনি

*তাকপা* : অপীবা ৱারেংদু পারগা ৱাহংশিংগী **(112–120)** চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীরকউ :

**লৈবা অমসুং লৈমিন্নবা**

মালেম অসিদা লৈরিবা জীব পূন্নমক অসিদগী খ্বাইদগী শিংলে হায়রিবা মীওইবা অসি মথন্নতা লৈবা যাদে, মতম পুন্নমক্তা ময়াম পূন্না লৈমিন্নদবা সুকয়া যাদে। যূমদা মমা-মপা মচীন-মনাও মচেম-মনেম কয়াগা লোয়ননা লৈ। যূমদগী মপান হেক থোকপদা মরুপ-মপাঙ, ওজা-গুরু, শাগৈ-নাতৈ ময়াম অমা থেংনৈ। লৈকাই নৎত্রগা খুল লাননা হেক চৎপদা মশক খঙনবা অমদি খঙনদবা ময়াম অমা থেংনৈ। থেংনবা তাবনি, তিন্নবসু তাবনি। অসুম্না মী অমগী পুন্সিদা মখল মখা কয়াগী মীওই কয়ামুক থেংনরকই। থেংনবা পূন্নমক অসিগা লোয়ননা লৈবা অমদি লৈমিন্নবা তাবনি। লৈমিন্নবা হায়বসিনা যূম্ফম ওইরগা হায়নরি—‘‘মীওইবা হায়বসিদি পূন্না হিংমিন্নবা জীবনি’’। অদুনা মী অমনা মশাগীতা ওইনা হিংবগা লোয়ননা ময়ামগী ওইনসু হিংদবা যারক্তে। কনাগুম্বা নুপা অমনা মা মশাগা লোয়ননা মচা অমা, মতোল অমা, মরুপ অমা, য়েক্লবা অমা অমসুং মালেম অসিগী ওইনা সিতিজন অমা ওইদবা যাদ্রবনি। মী অমগী মরী অসি যামখ্রবা পোৎনি। মী অমনা মীয়ামগী মরক্তা লৈতবা যাদ্রবনি।

মী অসিনবু যাম্মবা ৱাসু অদুম যাম্মবনি। ৱা অসি যাম্মবদি অকায়বা ৱাসু অদুম ময়াওরকই। ৱাকায়বু যাওরবা খৎনবা অদুম শোয়দ্রে। খৎনবা অসিনা অসুম চাউখৎলক্লগা থোক্লকই লান, অদুদগী লাঞ্জাও। লাঞ্জাওগী মহৈদি অকিবা ঙাক্তনি, অপূনবগী ওইনা মাঙজবা ঙাক্তনি। পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী চৈনা জাপানগী হিরোসিমা অমদি নাগাসাকীনা ঙসি ফাওবা খঙলি অমদি খাঙলি।

লানবু পাম্বা কনাসু লৈরপ্লোই। পুন্নমক্না পাম্নরিবসি শান্তি হায়বদি ঈংবা, তপ্পা হায়বসিনি। শান্তি পামদবা মীওই লৈবা হৌনদে। মরমদি শান্তিদা ফত্তবা লৈতে। লান লৈবা মফমদা অমাঙবা ময়াম লৈবনা শান্তি লৈবা মফম অমদা অফবা ঙাক্তা থেংনবা মশানা তাবনি। যাইফনা পানগে হায়রবদি ঈংনা তপ্পা হায়বদি শান্তি ওইনা লৈবা অমদি লৈমিন্নবা তাই।

**112.** মী হায়বসি মথন্তা লৈবা যাব্রা ?

(1) যূমগী মপান্দা মরুপ-মপাঙ তিন্নদনা লৈবা য়াই

(2) মীওইবা শাগৈ নাতৈ ময়াম তিন্নদবা যাই

(3) মীওইবা অসি মথন্নতা লৈবা, মতম পুন্নমক্তা ময়াম পূন্না লৈমিন্নদবা সুকয়া যাদে

(4) মীওইবসি মথন্তা লৈবা যাই

**113.** মীওইবনা কনা-কনাগা তিন্নবগে ?

(1) লৈকাইগী মশক খঙদবগা তিন্নদে

(2) লৈকাই নৎত্রগা খুল লাননা চৎপদা মশক খঙনবা অমদি খঙনদবা ময়ামগসু তিন্নবা তাবনি

(3) খুল লাননা চৎপদা মশক খঙনদবা তিন্নদে

(4) খুল লাননা চৎপদা মী অমতা তিন্নদে

**114.** মীওইবসি করম্বা জীবনো ?

(1) মীওইবা হায়বসিদি পূন্না হিংমিন্নবা জীবনি

(2) মী হায়বসি তোখাই-তোখায়না হিংবা জীবনি

(3) মীওইবা হায়বসি মশা মশাদা হিংবা জীবনি

(4) মীনা ময়ামগা লৈমিন্নদে

**115.** মীনা মশাগীতা নওনা কনাগী ওইনা হিংদবা য়াদবগে ?

(1) মীনা কনাগীসু হিংদে

(2) মী অমনা মশাগী হিংবগা লোয়ননা ময়ামগী ওইনসু হিংদবা য়ারক্তে

(3) মী অমনা মশাগীতা ওইনা হিংবা য়াই

(4) মী অমনা ময়ামগী ওইনা হিংবা য়াই

**116.** মী অমনা কনা কনাগা লোয়ননা করি ওইবা তাবগে ?

(1) মীনা মরীমতাগদমক মালেমগী সিতিজনা ওইদে

(2) মীনা মরুপকদমক মালেমগী সিতিজন ওই

(3) মী অমনা সিতিজন অমা ওইদবা য়াদ্রবনি

(4) মী অমনা মশাগা লোয়ননা মচা, মরীমতা, মরুপ, য়েক্লবা অমসুং মলেমগী ওইনা সিতিজন অমা ওইদবা য়াদ্রবনি

**117.** মী য়াম্লগা খৎনরিবা করিগীনো ?

(1) ৰা য়ামলবদি অকায়বা য়াওরকই

(2) মী য়ামবদগী ৰাকায় য়াওরত্তুনা খৎনবকই

(3) মী অসিনবু য়াম্মবা ৰাসু অদুম য়াম্মবনি

(4) ৰাকায় য়াওদুনা খৎনরকই

**118.** লাঞ্জাওবু কিরিবা করিগীনো ?

(1) লাঞ্জাওদা চৎথোক চৎশিন য়াদে

(2) লাঞ্জাওদা মহৈ-মশিং তম্বদা খুদোং চাহনদে

(3) লাঞ্জাওগী মহৈদি অকিবা ঙাক্তনি, অপুনবগী ওইবা মাঙজবা ঙাক্তনি

(4) লাঞ্জাওদা চানবা অমসুং থকনবা ফংদে

**119.** পুম্নমক্না শান্তি পামলিবা করিগীনো ?

(1) শান্তি মী খরগীদমক ওই

(2) শান্তি লৈবা মফম তমদা অফবা ঙাক্তা থেংনবননি

(3) শান্তি লৈরবদি মী খৎনদে

(4) শান্তি লৈবা মফমদা মী খুদিংমক জ্ঞান তানৈ

**120.** ঈংনা তপ্না লৈগে অমদি লৈমিন্নগে হায়রবদি করি চঙবগে ?

(1) উরগা উই হায়বা চঙই

(2) খঙদ্রবদি খঙদে হায়বা তাই

(3) চারগা চাই হায়বা চঙই

(4) পূকচেল শেংবা চঙই

**Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for MANIPURI as LANGUAGE–II**

## কাখন—V : লোন—II

### মণিপুরী

*তাকপা* : অপীবা ৱারেং অদু পারগা ৱাহংগী পাউখুম খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা (ৱাহং **121–126**) পীরকউ :

নোংমা নুমিৎ অমা, থাবল ফরবা অহিংদা ব্রজেন্দ্রনা মৈতৈ লোনগী বাসক ফাংনবা তাগে হায়না চৎথোকলমই। থাবল ফবা অহিংদা পাখং লৈশাবী মৌনহাশিংগী পুক্লিং লাংতক্লবসি হৌনবীনি। শংবান্নবা অতিয়াদা থৱানমিচাকা লোয়ননা থা থোক্লিবা, উ-ৱা হৈপাল-লৈপাল তুমিন তুমিন্না লেপ্পুনা লৈরিবা থাবলগী পারবা নমথাং থোল্লদুনা ইমা পৃথিবীনা মবুংঙোবু খুরমজরিবা, অসি পুম্নমক উরুদনা ব্রজেন্দ্রগী পুক্লিংদসু লাংতক্লবা অমা পোক্লে। অদুদগী মান্দব মনুংদা চঙখ্রে। ''বৃন্দাবনগী অমুবা থাদু অমুক হন্না থোক্লকখিনি।'' অসিনচিংবা খাইন-মৈচাককী খমথেংনা অৱাবা মতাং পুক্লিং হুনা শক্লন্মি।

মথং মথং ব্রজেন্দ্রগী পুক্লিং পেৎথরক্লে। ময়ুমদা লৈহৌবী মালতীবু মরাল ইলে লৈতনা শাউরুরে হায়বসু খল্লক্লে। অসুম খন্ন খন্না নুপী নহা ময়াম ফল্লিবা মাইকৈ অদোমদা হাইফেৎ য়েংশিল্লকই। নোংঙাল্লগা শাৎকদবসু থাবল ফমনখ্রদুনা অহিংদা পোমশাৎনখ্রবী লৈহাউ লৈরেনগুম্বী নুপী মচা অমা, য়াম্না চেকশিন্না, হুরান হুরান্দুনা ব্রজেন্দ্রদা য়েংলমই। ব্রজেন্দ্রনা হেক য়েংথোকখিবা অদুদা পৈনা পৈনা য়েংলম্বা মীৎ থম্বাল অনীদু খুৎনা শোক্লবা ইকাইথবী মনাগুম্না হেক উমশিনখ্রে। মীৎফমদি চিংশিনখ্রে, মপান থোকখ্রিবা ৱাখল অদুদি চিংশিনবদা মনুং য়ৌবা ঙমহৌদ্রবোই। চাইরুং অনীদা য়ৈশিনদুনা কোইরপ কোইরপ হৈয়াই অমুনবগুম্না ঙাংশং ঙাংশং ঙাংখ্রে। ইকাই-খাং ওইনা মমাঙদা তারিবা পান তাঙ্গা অদু শিংগুপ শানা শেগাইবিরে। মরাইবক থীরবা তাঙ্গাদু মরাল লৈতনা দণ্ডি ফংবদা চেৎ চেৎ হায়না মপুক্লিংগী অৱাবা ফোঙদোকখি।

**121.** নোংমা নুমিৎ অমা থাবল ফরবা অহিংদা চৎথোকলিবসি করিগীনো ?

(1) নোংমা নুমিৎ অমা থাবল ফরবা অহিংদা ব্রজেন্দ্রনা মৈতৈ লোনগী বাসক ফাংনবা তাগে হায়বগীনি

(2) অহিংদা লীলা য়েংবা চৎপনি

(3) অহিংদা থাবল য়েংবা চৎপগীনি

(4) অহিংদা কুম্মৈ য়েংবা চৎপনি

**122.** ব্রজেন্দ্রগী পুক্লিংদা লাংতক্লবা অমা পোকলিবসি করি উবদগীনো ?

(1) থা-থৱানমিচাক উবদগীনি

(2) হৈপাল-লৈপাল উবদগীনি

(3) শংবান্নবা অতিয়া উবদগীনি

(4) শংবান্নবা অতিয়াদা থৱানমিচাক, থা অমসুং উ-ৱা হৈপাল-লৈপালনা পৃথিবীবু খুরুমজবীবা অসি উবদগীনি

**123.** ব্রজেন্দ্রগী পুক্লিং পেৎথরকলিবা করিদগীনো ?

(1) খাইন মৈচাককী খমথেংনা অৱাবা মতাং পুক্লিং হুনা শকপা তাবদগীনি

(2) অতিয়াবু উবদগীনি

(3) অৱাবা ঈশৈদগীনি

(4) ''বৃন্দাবনগী অমুবা থাদু অমুক হন্না থোক্লকখিনি।'' তাবদগীনি

**124.** ময়ুমদা লৈহৌবীবু অমুক খল্লকলিবা করিগিনো ?

(1) মরাল লৈ খনবদগীনি

(2) য়ুমদা লৈহৌবদগীনি

(3) মালতীবু শাউরুবদগীনি

(4) ময়ুমদা লৈহৌবী মালতীবু মরাল লৈতনা শাউরুরে হায়না খল্লকপদগীনি

**125.** ব্রজেন্দ্রদা কনানা য়েংলম্মই ?

(1) অৱাংবা লৈশাবী অমনা ব্রজেন্দ্রদা য়েংলম্মই

(2) অনোইবী নুপী অমনা য়েংলম্মী

(3) থাবলদা পোমশাৎনগ্রবী লৈহাউ লৈরেনগুম্বী নুপী মচা অমনা চেকশিন্না হৈরান্দুনা ব্রজেন্দ্রদা য়েংলম্মই

(4) মশক থিবা নুপী মচা অমনা য়েংলম্মই

**126.** ব্রজেন্দ্রনা হেক য়েংথোকখিবদা নুপী মচাদু করম্বা ফিভমদা উখিবগে ?

(1) পৈনা-পৈনা য়েংলম্বা থম্বাল মাল্লবা মীৎ অদু ইকাইথবী মনাগুম্না উমশিনবা অদু উরম্মী

(2) থম্বাল মানবা মীৎ উরম্মী

(3) পৈনা-পৈনা য়েংবা উখি

(4) থম্বাল মাল্লবা মীৎ অনি অদু উখি

*তাকপা* : খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা মখাগী ৱাহংশিংসিগী পাউখুম পীয়ু (**127–141**) :

**127.** করম্বা মওংদা মসিগী পাবগী টেস্টসিদা মার্ক পীগদগে ?

ৱাহং : কৈ হায়বসি শিগদৌরবা শারা ?

পাউখুম (ক) : নত্তে, অদুবু মসি তাংনা উবা অমদি ওই।

পাউখুম (খ) : কৈ হায়বসি শিগদৌরে।

(1) পাউখুম (খ)গী মার্ক ½, পাউখুম (ক)গী মার্ক 1

(2) পাউখুম (ক)গী মার্ক 1, পাউখুম (খ)গী মার্ক 1

(3) পাউখুম (খ)গী মার্ক 1, পাউখুম (ক)গী মার্ক 0

(4) পাউখুম (ক)গী মার্ক ½, পাউখুম (খ)গী মার্ক 1

**128.** লাইরিক অমগী মচাকসি দরকার ওই হায়না খঙন্নবা পাবগী মওংসি

(1) হান্না হায়বনি

(2) তেল্লপ্না হায়বনি

(3) scanningনি

(4) চাওরাক্লা পাবনি (skimming)

**129.** মহৈরোইশিংনা skit 'Great Sentence Mystery'ই। মখোয়না মী মশক মরি মতাংদা ৱাহৈ-পরেং তরামুক্তা ই। মীশক অমমমনা ৱাহৈ-পরেং অমাখকতমক ঙাংবা ঙমই। মসিগী activityসিনা হেনগৎহনলিবসি

(1) পারবা মতুংগী ঔরাইবনি

(2) ইদ্রিঙৈগী ঔরাইবনি

(3) গ্রামারবু খঙহনবনি

(4) ৱাহৈশিংবু খঙহনবনি

**130.** ক্লাস IIIগী মহৈরোইশিংদা ক্রিয়েটিভ রাইটিং (creative writing) হেনগৎহন্নবগী করম্বা মওংনা খ্বাইদগী চান্নবগে ?

(1) অয়েকপা লাইশিংগী চবুল অমা অমদি খন্ননৈন্নবশিংনি

(2) মহৈরোইশিংনা ইনিংবা মওংদা ইহনবদুনি

(3) অপীবা হিরম অমদা মমুৎ তানা খন্নবদুনি

(4) বোর্ডতা মওং-মরিল অমা পীথোকপদুনি

**131.** নংগী ক্লাসতা মহৈরোইশিংনা ইংলিশ ঙাংবদা ইকাইরবদি, মসি লানথোকহনগে হায়বদি নং করি তৌগদগে ?

(1) ক্লাসতা খুদক্তা ঙাংন্নবা হিরম পীগদবনি

(2) অতোপ্পগী প্রেজেনটেসন লোইশ্লবা মতুংদা মখোয়বু ঙাংহনগদবনি

(3) তম্লিবা লোন্দুদা তোঙান্না তম্বিগদবনি

(4) তম্লিবা মহৈরোইশিংনা মশানা ইজবশিংদু মী অনিগী জুরাদা নত্রগা গ্রুপ মচাদা ওইরাইগদবনি

**132.** তাবগী স্কিল (listening skill) ওইরাইনবগী ওঝানা রেলৱেদা লাওথোকপগী মওংগী activity অমা শেমলগা মহৈরোইশিংদা ট্রেন লাকপগী অমদি চৎখিবগী মতমশিংগী টেবল অমা মেনহনলি। মহৈরোইশিংনা

(1) Audio-recordingদু তারগা টেবলদু মেনশিনবনি

(2) মহৈরোইশিংনা লাউনা করিগুম্বা অমা লাওথোকপনি

(3) টেবলদুদা লৈবা মচাকশিংদু (ডেতা) হায়বনি

(4) অতেনবা ফিল্ম অমা য়েববনি

**133.** মীওই ফারবা মতুংদা ফোরেন লোন তম্বসি

(1) ময়ামগী ওইবা মওংদা তম্মি

(2) লোন তম্বদা অৱাবা ওই

(3) ফজনা তম্বা ঙমদে

(4) হেন্না ফজনা তম্বা ঙমই

**134.** 'e-learning' হায়বসি

(1) distance education দুনি

(2) ফিল্ম ডোক্যুমেন্টরিশিংদুনি

(3) technologyগা লোইন্ননা তম্বদুনি

(4) hardware য়াওনা তম্বদুনি

**135.** Bilingual ক্লাস অমদা মহৈরোইশিংনা তল্লিবা-লোনগী (target language) অইবা অমসুং অঙাংবা (written and spoken forms) খেৎনবা খঙন্নবগীদমক মখোয়বু

(1) তল্লিবা-লোন্দুদা (target language)ইবা লাইরিক য়াম্না পান্নবা থৌগৎক্নদবনি

(2) ইংলিশতা হেন্না ইন্নবা থৌগৎকদবনি

(3) লোন অনি ঙাংবা ফিল্ম য়েংন্নবা থৌগৎকদবনি

(4) তল্লিবা-লোন্দুদা (target language) ঙাংন্নবা থৌগৎক্নদবনি

**136.** মমান্নবা মরক্তগী খরা শোৎথহৌরবা মহৈরোইশিংবু মমান্নবশিংদুগা মান্ননবা মেনখৎন্নবা তল্লিবদু

(1) তেনশিন্না হায়বনি

(2) অমুক হন্না শেম্বনি

(3) রিমেডিয়েসননি (remediation)

(4) হন্না পাবনি

**137.** মখল-মখলগী হৈশিংবা লৈবা লোনগী ক্লাস অমদা মহৈরোইশিংনা তমগদবা মচাকশিংদা

(1) করিগুম্বা মতমদা মহৈরোইশিংনা পুন্না ৱাখন থাদগদবনি

(2) খঙবগী তোঙান-তোঙান লৈবা মহৈরোই-শিংদা হেন্না খন্নৈন্নবগী খুদোংচাবা পীগদবনি

(3) অঙ্কগা লোনগদা হেন্না ৱাখন থাদগদবনি

(4) শান্নবা অমসুং লোনশিংদা ৱাখন থাদগদবনি

**138.** অরানবা ৱাখলদু খন্দোকউ : ইংলিশ তম্নবা লাইরিকশিংদা পীগদবসি

(1) মথং-মনাও নাইনা তম্নবা হায়বদুনি

(2) চাং-মান্নবা মচাকশিং উপনি

(3) তমলকপশিং unit নাইনা শেমদোকপনি

(4) ওঝাশিংগী পারা শেমদোকপনি

**139.** গ্রামারগী ওইবা অরানবা খরদি লোন চম্বদা অদুম লৈ। মরমদুনা ওঝানা

(1) মহৈরোইগী অরানবশিংদু চুমথোকপা মথৌ তাই মখোয়না অতোপ্পগী অরানবশিংদগীসু তম্মী

(2) মহৈরোইদুনা ঙাংবা অমসুং পাবা লোইবা ঙাইরগা, তোইনা লাল্লিবশিংদুগী মতাংদা চুমন্নবা হায়বিগদবনি

(3) লানবা হায়বসি মহৌশানি, লানজসনু

(4) অশোম্বা মহৈরোইশিং খন্দোক্লগা তোঙান্বা ক্লাস পীগদবনি

**140.** ফোরেন লোন তম্নীবা ওঝাগী অৱাবসি লাইরিক তমনিংদবা মহৈরোইনা থনবা ক্লাস থেংন্নবসিনি। মরম অদুনা

(1) Academic counsellor অমগী মতেং লৌগদবনি

(2) তমনিংদবা মহৈরোইশিংদু খন্দোক্লগা তোঙানবা ক্লাস লৌবিগদবনি

(3) মহৈরোইশিংবু মখোয়গী তৌগদবা মথৌশিং তৌন্নবা পূক্নিং থৌগৎপিগদবনি

(4) হেন্না তম্বদা নুংঙাইন্নবা মহৈরোইশিংবু পোরম য়াৎথোকতুনা পূক্নিং থৌগৎপিগদবনি

**141.** লোন তম্লিবশিংনা ঙাংলগা তম্মি। করম্বা activityনা হায়রিবসি মতেং পাংবগে?

(1) মমালোন শিজিন্নবগী পূক্নিং থৌগৎপিগদবনি মরমদি মসিনা তম্নবা পীরিবা লাইরিক্তু ফজনা খঙবা-ঙমহনলি

(2) মপানাথাংগী ওইনা ইবা লাইরিকতগী হৌরগা নুংগী ওইনা ইবা লাইরিকশিং পাবদগীনি

(3) ওঝানা ইবগী অমদি ঙাংবগী মওংদু মহৈরোইশিংনা মতৌ তম্মি

(4) ওইরাইবগী তাঙাপিবসি য়াম্না মরুওই মরমদি মসিনা ইশাগী ওইবা মওং অমা লাকই

*তাকপা* : অপীবা ৱারেংদু পারগা খ্বাইদগী চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীরকউ (**142–150**) :

**অকোয়বগী ফিভম ঙাকশেনবা**

মালেম অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা পুম্নমক্তা, পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা তঙাইফদনা চঙলিবা নুমিৎকী মঙাল অমদি মৈশা, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক লৈহাওনচিংবা ময়াম অসিবু অকোয়বগী ফিভম (ইনভাইরনমেন্ত) হায়না কৌই। থৱায় পানবশিংগা অকোয়বদা লৈরিবা পোৎলমশিং অসিগা য়াম্না নকুবা মরী লৈনৈ। পোৎলমশিং অসি ফিভম চানা শেংনা থম্না তঙাই ফদে। হীরম অসোমদা মীওইবনা পূক্নীং চঙনা থিজিন হুমজিনবা হৌখ্রবনি।

হৌখিবা চহী চামরোম অসিগী মনুংদা পৃথিবীগী অকোয়বগী খল অসি শাথীনা কায়থরক্লে। ন্যুক্লিয়ারগী খুৎলাই কয়াগী চাংয়েং সমুদ্রদা লোন্না অমদি ফোংনা তৌনখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা সমুদ্রগী ঈশিং অসি হূ চেল্লে। জহাজদা পুবা থাউগী অচৌবা তেঙ্কি কয়া অমসু য়ুখ্রে, কয়া অমনা কায়খ্রে। মসিদগী ঈপাক্কী ঈশিং অসি অমুক্কা হেন্না মাঙননবগী মশক ওইখ্রে। মসিগীসু মথক্তা লৈবাক কয়াগী অচৌ অচৌবা কল-করখানা কয়াদগী থাদোরকপা অমোৎপা ঈশিংসু তুরেলশিংনা পুরক্তুনা তিল্লরে। মসিনসু পৃথিবীগী ঈশিং অসি চাং হেন্না শেংহন্দ্রে। মোৎলবা ঈশিং অসিদা লৈবদগী জীবা কয়া শিরে। মসি পৃথিবীগী ওইনা মাঙজবা নত্তনা করিসু ওইরোই।

মালেমদা নুংশা মঙাল, নুমিৎকী মৈশা অমসুং অশেংবা নুংশিৎ অসি য়াওদ্রবদি থৱায় পানবশিংনা মালেমদা হিংবা সুকঙম ঙম্লোই। নুংশা মঙালদা মখল কয়াগী শক্তি (রেদিয়েন্ত ইনর্জি) য়াওই। শক্তিশিং অদুগী মনুংদা এক্স-রে অমসুং অলত্রা-ভাইওলেত রে হায়রিবসিদি জীবশিংদা অমাঙ-অতা থোকহল্লি। পৃথিবীগী লৈমায়দগী কিলোমিতর ১৮-দগী ৫০ ফাওবা ৱাংবা নুংশিৎকী কুয়োমদা ওজোনগী লৈরোল অমা পাক্লা ছাতিনুগুম্না শন্দোক্তুনা লৈ। মসিনা নুংশা মঙান্দা য়াওবা অলত্রা-ভাইওলেত রেবু পৃথিবীদা য়ৌরক্নদবদগী ঙাকথোক্তুনা থমই। অদুবু সুপরসোনিক ত্রান্সপোর্ত (এস. এস. তি.) হায়বদি জেত এরোপ্লেনশিংদগী থোরকপা মৈখুদা য়াওবা নাইত্রিক ওক্সাইদ, পর্ফ্যুম, হেয়র ডায় স্প্রেনচিংবদা য়াওবা ক্লোরো-ফ্লুরো কার্বন (সি. এফ. সি.) হায়বা পোৎশিং অসিনা নুংশিৎকী কুয়োমদা ওজোনগী লৈরোলবু মাঙহল্লি। ওজোনগী মরোল অসি লৈত্রবদি অলত্রা-ভাইওলেত রেনা লৈমায় য়ৌরক্তুন পৃথিবীদা লৈরিবা জীব পুম্নমকপু মাঙহনবা য়ারিবনি।

**142.** অকোয়বগী ফিভম হায়বদি ইনভাইরনমেন্ত হায়রগা খঙনরিবসি করিবুনো ?

(1) ঈশিং, নুংশিৎ অসিবুনি

(2) লৈবাক-লৈহাও অসিবুনি

(3) নুমিৎকী মঙাল অমসুং মৈশাবুনি

(4) নুমিৎকী মঙাল, মৈশা, ঈশিং, নুংশিৎ অমসুং লৈবাক-লৈহাওনচিংবা অসিবুনি

**143.** থৱায় পানবশিংগা অকোয়বদা লৈরিবা পোৎলমগা করি মরী লৈনব্রা ?

(1) পোৎশিং অসি অমগা অমগা মরী লৈনদে

(2) থৱায় পানবশিং অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা পোৎলমশিংগা য়াম্না নকুবা মরী লৈনৈ

(3) থৱায় পানবশিংগা অকোয়বদা লৈরিবগা মরী ইরৈ লৈনদে

(4) অকোয়বদা লৈরিবা পোৎলমশিংশিংগা মরী লৈনৈ

**144.** অকোয়বদা লৈরিবা পোৎলমশিং করম তৌবা তাই ?

(1) অকোয়বদা লৈরিবা পোৎলমশিং ফিভম চানা শেংনা থম্বা তাই

(2) পোৎশিং ফিভম চাবা তাই

(3) পোৎশিং অসি ফিভম চানা থমগনি

(4) পোৎশিংসি শেংনা থমগনি

**145.** পৃথিবীগী অকোয়বগী খল অসি শাথীনা কায়থরক্লিবা মরম করিনো ?

(1) সমুদ্রদা পুবা থাউগী তেক্কি যুবননি

(2) ন্যুক্লিয়ারগী খুৎলাই চাংয়েং, জহাজদা পুবা থাউগী তেক্কি যুবা, তুরেলদা য়াওবা কল-করখানাগী অমোৎপা ঈশিং অসিননি

(3) ন্যুক্লিয়ারগী খুৎলাই চাংয়েংদগীনি

(4) সমুদ্রগী ঈশিং হূ চেনবদগীনি

**146.** জীবশিংনা শিবগী মরম করিননো ?

(1) মোৎলবা ঈশিংদা লৈবদগীনি

(2) জীবশিংনা ঈশিং থকপদগীনি

(3) অমোৎপা মফমদা লৈবদগীনি

(4) ঈশিং লৈতবা মফমদা লৈবদগীনি

**147.** থৱায় পানবশিং করি করিনা হিংবা ঙমহনবগে ?

(1) নুংশিৎনা থৱায় পানবশিং হিংহল্লি

(2) নুংশা মঙাল অমসুং নুমিৎকী মৈশানা থৱায় পানশিংহিংবা ঙমহল্লী

(3) মলেমদা নুংশা মঙাল, নুমিৎকী মৈশা অমসুং অশেংবা নুংশিৎ অসিনা থৱায় পানবশিংহিংবা ঙমহল্লী

(4) নুংশা মঙালনা থৱায় পানবা হিংহল্লি

**148.** নুংশা মঙালদা করি য়াওবগে ?

(1) মখল অহুমগী শক্তি য়াওই

(2) মখল মঙাগী শক্তি য়াওই

(3) মখল অমগী শক্তি য়াওই

(4) নুংশা মঙালদা মখল কয়াগী শক্তি (রেদিয়েন্ত ইনর্জি) য়াওই

**149.** জীবশিংদা অমাঙ-অতা থোকহল্লিবসি করিননো ?

(1) অলত্রা-ভাইওলেত রেনা জীবশিংদা অমাংবা থোকহল্লি

(2) ঈংবদগীনি

(3) এক্স-রে শক্তিননি

(4) এক্স-রে অমসুং অলত্রা-ভাইওলেত রে হায়রিবসি জীবশিংদা অমাঙ-অতা থোকহল্লি

**150.** ওজোন হায়বসি করিনো ?

(1) পৃথিবীগী লৈমায়দগী কিলোমিতর ১৮দগী ৫০ ফাওবা ৱাংবা নুংশিৎকী কুয়োমদা লৈরোল অমা ছাতিনগুম্না পাক্লা শন্দোকপদুনি

(2) পৃথিবীগী লৈমায়দগী কিলোমিতর ১৮ ৱাংবা নুংশিৎকী ছাতিনগুম্বা কুয়োমদুনি

(3) নুংশিৎকী কুয়োমনি

(4) ছাতিনগুম্বা কুয়োম অমনি

SPACE FOR ROUGH WORK

*মখাদা পীরিবা নীতি-নিয়মশিং (instruction) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ :*

1. (OMR) অন্সর শীটকী অনীশুবা নাকন্দা ৱাহং খুদিংমক্কী পীরিবা কলন (Column) মরীদুগী মনুংদা শুপ্নগী অচুম্বনি খল্লবা মফম অদুখক্তদা **ব্লু নত্রগা ব্লেক বোল পোইন্ট পেননা** ময়েক শেংনা মার্ক (Mark) তৌগদবনি। অতোপ্পা মফম অমদা অনীশুবা মার্ক তৌবা য়াদে।

2. কেন্দিদেটশিংনা অন্সর শীট তু থুপচিনবা, থেকচিনবন চিংবগী মওং অমত্তা তৌবা য়াদে। অন্সর শীটতা রোল নম্বর (Roll No.) ইননবগীদমক্তা থমলিবা মফম অদুখক্তদা নশাগী রোল নম্বর ইগদবনি। অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইশিনবা, য়েকশিনবা তৌবা য়াদে।

3. টেষ্ট বুকলেট (Question Paper) অমসুং অন্সর শীট অদু য়াম্না চেকশিনগদবনি, করিগুম্বা মরম অমত্তদসু (শুপ্নগী টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীটকী নম্বর মান্নরমদবদগী শিন্দোকপা নত্তনা) অনীদু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবা য়ারোই।

4. কেন্দিদেটশিংনা টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী Code অমসুং নম্বর অদু (Attendance Sheet) তা ময়েক শেংনা চুম্না ইগদবনি।

5. কেন্দিদেটশিংনা পরীক্ষা হোল/Room দা মশাগী Admit Card নত্তনা করিগুম্বা মখলগী লাইরিক, অনম্বা চেচাং, পেজর, মোবাইল ফোন, ইলেকট্রোনিক্স ডিভাইস নচিংবা পোৎ অমত্তা পুশিনবা য়াদে।

6. ইনভিজিলেটর না হংলপ্নগা কেন্দিদেটশিংনা মশা-মশাগী Admit Card পুথোক্কদবনি।

7. কেন্দিদেট অমত্তনা সুপরিনটেন্দেন্ট নত্রগা ইনভিজিলেটরগী অয়াবা য়াওদন মশাগী ফমফম থাদোকপা য়াদে।

8. কেন্দিদেটশিংনা মশাগী অন্সর শীট তু ইনভিজিলেটরদা পীরমদনা অমদি এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না Sign তৌরমদনা পরীক্ষা হোল থাদোকপা য়ারোই। মশাগী অন্সর শীট তু পীরল্লবসু এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হন্না Sign তৌরমদ্রবা কেন্দিদেটশিংদি Unfair Meansকী Case ওইনা লৌগনি।

9. পরীক্ষা হোল মনুংদা ইলেকট্রোনিক/মেন্যুল কেলক্যুলেটর শীজিন্নবা য়াদে।

10. কেন্দিদেটশিংনা পরীক্ষা হোল মনুংদা পরীক্ষা থারিঙৈদা বোর্ডকী Rules and Regulations ঙাক্না চৎকদবনি। Unfair Means নচিংবা থোকহন্নিংবা থৌদোকশিং থোকলকপদা বোর্ডকী Rules and Regulations কী মতুংইন্না ৱারেপ লৌগনি।

11. টেষ্ট বুকলেট নত্রগা অন্সর শীটকী করিগুম্বা মফম অমত্তদা শেগায়- তুগায়বনচিংবা তৌবা য়ারোই।

12. **পরীক্ষা হেক লাইবগা কেন্দিদেটশিংনা মাগী-মাগী অন্সর শীট তু পরীক্ষা হোলদুদা লৈরিবা ইনভিজিলেটরদুদা খুৎশিন্নরন্নগা মশা-মশাগী টেষ্ট বুকলেট তু পুরগা থোকখিগদবনি।**

**READ THE FOLLOWING INSTRUCTIONS CAREFULLY :**

1. Out of the four alternatives for each question, only one circle for the correct answer is to be darkened completely with Blue/Black Ballpoint Pen on **Side-2** of the OMR Answer Sheet. The answer once marked is not liable to be changed.
2. The candidates should ensure that the Answer Sheet is not folded. Do not make any stray marks on the Answer Sheet. Do not write your Roll No. anywhere else except in the specified space in the Answer Sheet.
3. Handle the Test Booklet and Answer Sheet with care, as under no circumstances (except for discrepancy in Test Booklet Code or Number and Answer Sheet Code or Number), another set will be provided.
4. The candidates will write the correct Test Booklet Code and Number as given in the Test Booklet/Answer Sheet in the Attendance Sheet.
5. Candidates are not allowed to carry any textual material, printed or written, bits of papers, pager, mobile phone, electronic device or any other material except the Admit Card inside the Examination Hall/Room.
6. Each candidate must show on demand his/her Admit Card to the Invigilator.
7. No candidate, without special permission of the Superintendent or Invigilator, should leave his/her seat.
8. The candidates should not leave the Examination Hall without handing over their Answer Sheet to the Invigilator on duty and sign the Attendance Sheet twice. Cases where a candidate has not signed the Attendance Sheet, a second time will be deemed not to have handed over the Answer Sheet and dealt with as an unfair means case.
9. Use of Electronic/Manual Calculator is prohibited.
10. The candidates are governed by all Rules and Regulations of the Board with regard to their conduct in the Examination Hall. All cases of unfair means will be dealt with as per Rules and Regulations of the Board.
11. No part of the Test Booklet and Answer Sheet shall be detached under any circumstances.
12. **On completion of the test, the candidate must hand over the Answer Sheet to the Invigilator in the Room/Hall. *The candidates are allowed to take away this Test Booklet with them.***

**निम्नलिखित निर्देशों को ध्यान से पढ़ें :**

1. प्रत्येक प्रश्न के लिए दिए गए चार विकल्पों में से सही उत्तर के लिए OMR उत्तर-पत्र के **पृष्ठ-2** पर केवल एक वृत्त को ही पूरी तरह नीले/काले बॉलपॉइंट पेन से भरें। एक बार उत्तर अंकित करने के बाद उसे बदला नहीं जा सकता है।
2. परीक्षार्थी सुनिश्चित करें कि इस उत्तर-पत्र को मोड़ा न जाए एवं उस पर कोई अन्य निशान न लगाएँ। परीक्षार्थी अपना अनुक्रमांक उत्तर-पत्र में निर्धारित स्थान के अतिरिक्त अन्यत्र न लिखें।
3. परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर-पत्र का ध्यानपूर्वक प्रयोग करें, क्योंकि किसी भी परिस्थिति में (केवल परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर-पत्र के संकेत या संख्या में भिन्नता की स्थिति को छोड़कर) दूसरी परीक्षा पुस्तिका उपलब्ध नहीं करायी जाएगी।
4. परीक्षा पुस्तिका/उत्तर-पत्र में दिए गए परीक्षा पुस्तिका संकेत व संख्या को परीक्षार्थी सही तरीके से हाजिरी-पत्र में लिखें।
5. परीक्षार्थी द्वारा परीक्षा हॉल/कक्ष में प्रवेश-कार्ड के सिवाय किसी प्रकार की पाठ्य-सामग्री, मुद्रित या हस्तलिखित, कागज की पर्चियाँ, पेजर, मोबाइल फोन, इलेक्ट्रॉनिक उपकरण या किसी अन्य प्रकार की सामग्री को ले जाने या उपयोग करने की अनुमति नहीं है।
6. पूछे जाने पर प्रत्येक परीक्षार्थी, निरीक्षक को अपना प्रवेश-कार्ड दिखाएँ।
7. अधीक्षक या निरीक्षक की विशेष अनुमति के बिना कोई परीक्षार्थी अपना स्थान न छोड़ें।
8. कार्यरत निरीक्षक को अपना उत्तर-पत्र दिए बिना एवं हाजिरी-पत्र पर दुबारा हस्ताक्षर किए बिना परीक्षार्थी परीक्षा हॉल नहीं छोड़ेंगे। यदि किसी परीक्षार्थी ने दूसरी बार हाजिरी-पत्र पर हस्ताक्षर नहीं किए, तो यह माना जाएगा कि उसने उत्तर-पत्र नहीं लौटाया है और यह अनुचित साधन का मामला माना जाएगा।
9. इलेक्ट्रॉनिक/हस्तचालित परिकलक का उपयोग वर्जित है।
10. परीक्षा हॉल में आचरण के लिए परीक्षार्थी बोर्ड के सभी नियमों एवं विनियमों द्वारा नियमित हैं। अनुचित साधनों के सभी मामलों का फैसला बोर्ड के नियमों एवं विनियमों के अनुसार होगा।
11. किसी हालत में परीक्षा पुस्तिका और उत्तर-पत्र का कोई भाग अलग न करें।
12. **परीक्षा सम्पन्न होने पर, परीक्षार्थी कक्ष/हॉल छोड़ने से पूर्व उत्तर-पत्र निरीक्षक को अवश्य सौंप दें। *परीक्षार्थी अपने साथ इस परीक्षा पुस्तिका को ले जा सकते हैं।***